ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ


HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)








Vol. 49, Issue No. 201 | নোংমাইজিং, হিয়াঙ্গৈগী ৫নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, October 26, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# পোলিটিকেল লিদরশিংনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লে হায়রিবসি মীয়ামগী মীৎতা উৎ চাইবনি : বিমোল

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :**
পোলিটিকেল লিদরশিংনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লে হায়রক্লিবসি মীয়ামগী মীৎতা উৎ চাইবনি হায়রদুনা ষ্টেট অসিদা থোক্লিবা ওইফম থোক্তবা অমসুং তন্দু-লৈতাদ্রিবা ফীভম ময়ামসি নোর্মেলাইজ তৌনবগী থৌওংনি হায়না ইন্নর-মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী কোংগ্রেস এম পি ডা. অঙোমচা বিমোলনা ফোঙদোরকখ্রে।



মহাক্কী সোশল মীদিয়া প্লেটফোর্ম অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোল্লদুনা মহাক্না মখা তানা হায়, চহী অনী হেন্না লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংবু মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা অমদি নোর্মেলসি হঞ্জিল্লে হায়বা য়ারোই হায়রি।

হৌজিক ষ্টেট অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা মীওই লিশীং কয়ানা ময়ূমদা হঞ্জিনবা ফংদনা লৈরিঙৈগী মরক্তা পীস অমদি নোর্মেলসি লাক্লে হায়বনচিংবা ফোঙদোল্লিবা পোলিটিকেল লিদরশিং অসিনা মীয়াম্না থেংনরিবা মরু ওইনা আই দি পিশিংনা মায়োক্নরিবা অৱাবশিং অসিবু কূপশিন্নবা হোৎনবনি। আই দি পিশিং মীওইবা অমা ওইবগী হক অমদি ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা মশা-মশাগী ময়ূমদা হঞ্জিন্দ্রিবা ফাওবা পীস অমদি নোর্মেলসি হল্লক্লে হায়বা য়ারোই হায়রি।

এম পিনা মখা তানা হায়, ষ্টেট অসিদা কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হাৎন-শুনবগী ঈরাং হেক থোকপগা অহিং অদুদগী হৌনা অদুম মোবিলাইজ তৌদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মশীং থিঙমদ্রবা সিফাই থাজিল্লকপা অমদি অতেনবা মতমগী মনুংদা ষ্টেট অসিগী হান্না লৈজরম্বা ওফিশলশিং শিন্দোকখিবা অসিনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না হান্না পাউ খঙব্রা হায়বগী ৱাহং লৈ। ঈরাং থোকপা হেক নোংঙানবদগী সিফাই ময়াম অমা থাজিন-থাজিন্দুনা করি তৌবগী অসুক শাথীবা মওংদা হাৎনহনখ্রিবনো হায়বগী একাউন্টেবিলিটি ফিক্স তৌবা তঙাইফদে।

লোয়ননা মে ৩, ২০২৩গী নুংথিলদগী হৌনা কুকি খূৎলায় পায়বশিং য়াওবগী ভিদিও/ফোটো লোইনা লৈরবসু ঙসি ফাওবা মখোয় কনানো হায়বা পুথোক্তবা অমদি এক্সন অমত্তা লৌদনা লৈরি। মসিগী মথক্তা কুকিশিংনা মখোয়গী মেমোরিএল গেট অমা মৈ থাই হায়রিবসিসু কনাগুম্বা খরনা খৎনহল্লগে মতাগুম থাব্রা নৎত্রগা মখোয়না মচিন থিব্রা হায়বনচিংবা থিদোক্তুনা অচুম্বা পুথোকপগী ৱাফম ঙসি ফাওবা লৈত্রি।

মতমদুদা লৈঙাক অমা লৈনা লৈনা মীয়াম হাৎনহনখিবা অমদি ময়ূম মকে কাং-খোং চাইহনখিবসি লৈঙাক্তুবু পায়রিবশিংগী লিগেল অমদি মোরেল ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

মিজোরামগীদি ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিংগী মথক্তা এক্সন লৌরে, মণিপুরগীদি কদাই য়ৌখ্রবনো খঙদ্রি

# মিজোরামদগী ভেলিদ ওইবা আই এল পি পায়দবা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট ১সুং ত্রাইবেল নত্তবশিং তকথোকপা হৌরে : লালদুহোমা

**আইজোল, ওক্টোবর ২৫ (এজেন্সী) :**
মণিপুরগী ঙমখৈগা নক্লনা লৈরিবা মিজোরামগী আইজোল দিষ্ট্রিক্টকী শকোরদাইদা চথরক্লিবা য়ঙ মিজো এসোসিএশন (ৱাই এম এ) গী জেনরেল কনফরেন্সতা শরুক য়ারদুনা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমানা মহাক্কী ষ্টেটতগী ভেলিদ ওইবা ইন্নর লাইন পর্মিট (আই এল পি) পায়দবা ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং অমসুং ত্রাইবেল নত্তবা (নন-ত্রাইবেল) গী মীওইশিং তকথোকপা হৌরে অমসুং মখা তানা চথখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।


মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমা

ৱাফম অসি ফোঙদোল্লদুনা চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমানা হায়, ঐহাক্কী লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মিজোরামদা লৈবা ভেলিদ ওইবা আই এল পি পায়দবা নন-ত্রাইবেলগী মীওইশিং অমসুং ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং তকথোক্লবা ৱারেপ লৌরে। ৱারেপ অসি মতম খরগী মমাঙদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগসু উন্নদুনা খন্নরবা মতুংদা লৌরকপনি।

মিজোরামগী গভর্ণরগী অয়াবা মতুংইন্না থবক অসি চথনবগী ৱাফম প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদা খঙহনখ্রে। মিজোরাম লৈঙাক্না পায়খৎকদবা থবক্তি ষ্টেট অসিদা লৈবা ভেলিদ ওইবা আই এল পি পায়দবা নন-ত্রাইবেলশিং অমসুং ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং খন্দোক্তুনা তকথোকপনি। থবক অসি আইজোলগী মফম খরদদি মাঙজৌননা হৌখ্রে অমসুং মখা তানা চথখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না ইল্লিগেল ইম্মিগ্রেন্ট অমসুং নন-ত্রাইবেলগী মীওইশিংগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা আই এল পি হায়রিবা অসি বেঙ্গল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেশন (বি ঈ এফ আর), ১৮৭৩গী মখাদা হৌদোক্তুনা চৎনহনবনি। আই এল পি চৎনহনবগী পান্দমদি ত্রাইবেল ফুরুপশিংবু অমসুং মখোয়গী লমশিংবু ঙাক শেন্নবনি হায়খি।

আই এল পি অসিগী মতুংইন্না মিজোরামদদি ত্রাইবেল নত্তবা মীওইশিংনা ষ্টেট অসিগী লম লৈবদা অথিংবা থম্মী। মরম অসিনা আই এল পিগী ওনলাইন সিষ্টম অমসু মহাক্কী লৈঙাক্না হৌদোকপগা লোয়ননা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## ডা. রিতা মীহাৎ

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস):**
য়াইস্কুল চীংঙাখম লৈরক্তগী ডা. অঙোম রিতা (৬৭) বু মশামক্কী য়ূমদা মীহাৎ থীনা হাৎতোক্লমখিবা থৌদোকপু মোইরাংখোম কবুই ৱিমেন্স ৱেলফ্যের এসোসিএশননা হকচিন্না ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

## রাজ্য সৈনিক বোর্দ

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস):**
অসাম রাইফলসকী ওপরেশন সদ ভবনাগী মখাদা লম্ফেলদা লৈবা রাজ্য সৈনিক বোর্দকী লোয়শঙ নীংথিজনা শেমজিল্লবা মতুংদা ঙসি আই জি এ আর (সাউথ) মেজর জেনরেল রভরুফ সিংহনা শঙ্গাখ্রে হায়রি।

সিক্যুরিটি পর্সনেল লিশীং ১৪ রোম য়াওরিবনি হায়রদুনা বোর্দ অসিগী লোয়শঙ কুইরকপদগী মল্লকপা অমসুং ফীভম চাদনা লৈরকপদগী এ আরনা শেমজিনবনি হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## য়ু জি ৪ ফারে, বোম ফংলে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস):**
পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা শীংজমৈ লৈশাংথেম লৈকায়দগী হেমরজিৎ লৈশাংথেম এলিয়জ লালু (৩১) কৌবা কে ৱাই কে এলগী কাদর অমা ময়ূমদগী মোবাইল হেন্দসেট অমা, আধার কার্দ অমা অমসুং এয়রটেল এয়র ফাইবর দিভাইস অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

অমরোমদা, সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙসি কে সী পি-তাইবংঙানবগী ললাম্লুং তখেল্লম্বম লৈকায়দগী হুয়াম রামেশ্বর এলিয়জ য়াইমা এলিয়জ তয়াই (৬৭) কৌবা কাদর অমা জে নিমসকী মফম অমদগী মোবাইল ফোন অমগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

লোয়ননা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী প্রিপাক-প্রোগী কাদর অনী পোইন্ট ৩৬কী হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমসুং মোবাইল ফোন অনীগা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ফারবশিংদি ৱাংজিং হোদাম্বদগী আর কে নেভি (৩২) অমসুং লিলোং অরাপতিদগী থোঙাম রোনাল্ডোনি। নেভিনা ৱাংজিং কৈথেলদগী ফাবনি অদুগা রোনাল্ডোনা লিলোং কৈথেলদগী ফাবনি হায়রি।

## এক্সিদেন্টদা ১ শিরে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস):**
ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৪৫ রোম তারকপদা সেকমাই পি এসনা কোনবা সেকমাইদগী কোইরেঙৈ ফাওবগী মরক্তা লৈবা সোপ্পিং মোল ময়াদা নহা অনীনা তোংলকপা হোন দা এক্তিভা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## লম্বীগী ৱাথোক লোইদ্রি : লাঙ্গোলগী গেম ভিলেজ তাবা লম্বী শেমজিন্দে হায়দুনা থিংজিনবা হৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :**
মতম খরগী মমাঙদগী মণিপুরগী ফীভম ফৎত্রবা লম্বীশিংবু শেমজিনবীয়ু হায়দুনা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা অইবা চেরোলনচিংবা পীশিন্দুনা চিন্না হায়বদা থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী ফৎত্রবা লম্বীশিং থিংজিন্দুনা খোঙজং চঙশিল্লক্লবা মতমদতা শেমজিন-শাজিনবা হৌরকপগী চৎনবী লৈরকপগী মনুং চন্না লম্ফেলদগীনা লাঙ্গোলগী গেম ভিলেজ ফাওবগী ফীভম ফৎত্রবা লম্বী শেমজিনবীদ্রে হায়রদুনা মীয়াম হৌরক্তুনা থিংজিনবা হৌখ্রে।



লম্বী পরিং অসিদা খোইশাওনরবা মীয়াম্না উ-ৱা পৈশিন্দুনা অমদি টায়রনচিংবা মৈ থাদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবা ইনভাইরনমেন্ট প্রোটেক্সন কম্মিটি, মণিপুরগী সেক্রেটরি ওইনাম জে ননা ফোঙদোরকপদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

উরিপোক অপূনবা লূপ অমসুং উরিপোক অপূনবা নুপী লূপনা

## রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবী নিঙোলশিং চাক্কৌখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :**
উরিপোক অপূনবা লূপ অমসুং উরিপোক অপূনবা নুপী লূপনা শীন্দুনা মে ৩, ২০২৩দগী চথরকখিবা তমথীরবা মণিপুরগী লানগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরদুনা ঙসি ফাওবা রিলিফ কেম্পতা চাক্কৌখ্রে।

ঙসিগী থৌরমদা লম্বোইখোংনাং-খোঙগী ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টরদা হাংবা রিলিফ কেম্প য়াওনা লাঙ্গোলগী রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবী আই দি পিশিংবু লাঙ্গোল নিংথৌগী শঙলেন্দা



চঙজফম লৌরক্লিবী নিঙোলশিংবু চাক্কৌখিবনি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## মোরেদা য়ূম মৈ চাকপদা তমুদগী ফায়র সর্ভিস লাক্তুনা মতেং পাংখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :**
ঙসি অয়ুক পুং ১১.১০ রোম তারকপদা মোরে পি এসনা কোনবা মোরে ৱার্দ নম্বর ৫-মুস্লিম বষ্টি ময়ায় লৈকায়দা লৈবা য়ূম খরা খঙহৌদনা থৌদোক অসিগী পাউ ফংবগা মোরেগী ফায়র সব ষ্টেশনদগী টিম অহুম লাক্তুনা মৈ মূথৎনবা হোৎনখি। অদুবু য়ূম ৪ মথং-মথং মৈনা ৱাইদুনা চাক্লকপদগী ম্যান্মারগী তমুদা লৈবা ফায়র সর্ভিসকী টিম ফাওবা



হৌরকপা মৈনা তুম্না চাকখ্রে।

লাক্তুনা মৈ ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## চুড়াচান্দপুর পুলিসকী সিনিয়র ওফিসর ১ অমসুং মহাক্কী ইমুংদা ওনলাইনদা কিহল্লক্লে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :**
পুলিস কন্ত্রোল রুমনা ঙসি নুমিদাং থোরকপা চেরোল অমনা হায়, চুড়াচান্দপুর পুলিসকী সিনিয়র ওফিসর অমা অমসুং মহাক্কী ইমুংদা এন্টি সোশল ইলিমেন্ট খরনা ওনলাইনগী খূথাংদা কিহল্লকপগী থৌদোক থোক্লে হায়বা খঙলে। অসিগুম্বা থৌদোক অসি মণিপুর পুলিসনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অমসুং য়াম্না হকচিন্না লৌই হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলে অমসুং থৌদোক অসিদা চেন্নবশিংগী মথক্তা অকনবা লিগেল এক্সন লৌখৎনবা অমসুং চেন্নবা মীওইশিং খঙদোক্নবা ইনভেষ্টিগেশন চথরে হায়রি।

পুলিস ওফিসরশিংনা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা অসিগুম্বা মখলগী থৌওং চথরকপা অসি তরাইনা লৌদে হায়রদুনা মীয়াম্নসু অসিগুম্বা মখলগী লোনা য়াদবা থৌওং অসি ওনলাইনগী খূথাংদা চথবীগনু হায়রি।

## থাঙ-তানা মণিপুরগী আর্ট এন্দ কলচর ১সুং থকসি-খাসি কনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি : সুনন্দ

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :**
মালেমদা মণিপুরবু মশক তাক্লিবা লমদমসিগী লৈশেমলোন্দগী লৈরক্লবা আর্ট ফোর্ম অমা ওইরিবা থাঙ-তাবু হেন্না চাওখৎনবা হোৎনমিন্নসি অমদি মালেমদা হেন্না মশক তাক্লবা হোৎনবদা লমদমসিগী মীপূম খুদিংমক্না থৌদাং লৌমিন্নসি হায়বগা লোয়ননা লৈঙাক্কী আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙগী দেপ্যুটি সেক্রেটরি সুনন্দ থোকচোমনা ফোঙদোকখ্রে।




ৱাফম অসি ঙসি ইরিলবুংদা লৈবা হুয়েন লালোং মণিপুর থাঙ-তা কলচরেল এসোসিএশনগী ময়ায় লোয়শঙদা লৈশেমলোনদগী শাগোন্নরক্লবা থাঙ-তাবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরক্লিবা এসোসিএশন অসি লিংখৎখিবগী চহী ৬৭শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা মহাক্না অথোইবা মীথুংলেন ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ক্লাস টেনগী ফ্রী রিভিজন কোর্স পাঙথোক্লগনি : সুক

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :**
ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক) না চহী লিশাং শিংনা চথরকপা 'মতিং লৈবা মহৈরোয় পুথোকসি' হায়বা একাদেমিক কেম্প্যেনগী মনুং চন্না হন্দকসু মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা হায় স্কুল লিভিং সর্টিফিকেট এগজামিনেশন ২০২৬কী থৌরাং তৌবা ওইনা মহৈরোয়শিংগীদমক ক্লাস টেনগী ফ্রী রিভিজন কোর্স অমা থা অনীমখায় চুপ্না পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ৱাফম অসি ঙসি মহৈরোয় লূপ অসিনা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা ফোঙদোকখিবনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা ফ্রী রিভিজন কোর্স অসিগীদমক লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী ৱাঙ্খৈদা লৈবা সুককী হেদ ওফিসতা ফোর্ম থাবা হৌরগনি অমদি মথং থাগী ১৭তগী রিভিজন ক্লাস হৌগদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, চহী খুদিংগী সুকনা একাদেমিক কেম্প্যেন অসিগী মনুং চন্না ক্লাস টেনগী ফ্রী ফাউন্দেশন কোর্স পাঙথোরক্লিবনি অদুবু খুদোংচাদবা খরদগী হন্দক চহীগীদি রিভিজন কোর্স ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## দ্রগ য়ূজর ১৯৩গী নুমিৎ ৪৫নিগী ফ্রী দিটোক্সিফিকেশন কম দি-এদ্দিক্টসন কেম্প পাঙথোক্কদৌরি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :** য়ুনিয়ন ওফ ত্রিটমেন্ট এন্দ রিহেবিলিটেশন ওফ য়ুজরস ফোর সোশল ত্রান্সফোর্মেশন (য়ু-ত্রষ্ট) গা লোয়ননা মরী লৈনবা লোয়শঙগী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা প্রাইভেট দ্রগ রিহেবিলিটেশন সেন্টর ৫৫ অমসুং সোশল ৱেলফ্যের লোয়শঙগা খূৎশম্নদুনা দ্রগ য়ূজর ১৯৩দা নুমিৎ ৪৫নিগী ওইবা ফ্রী দিটোক্সিফিকেশন কম দি-এদ্দিক্টসন কেম্প পাঙথোক্তুনা মসিগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি।

কেম্প অসিদা ত্রিটমেন্ট মপূং ফানা ফংহৌনবা অমসুং দ্রগতগী লাপথোক্লিংবা মীয়াম অমদি শেলগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবা ইমুংশিংনসু এদমিশন তৌবীরো নৎত্রগা মনাক নকপদা লৈবা ত্রষ্টকী সেন্টরশিংদা চৎলগা মিং চনবীয়ু হায়না ত্রষ্ট অসিগী প্রসিদেন্ট এস হেরোজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।


ৱাফম অসি ঙসি প্রেস ক্লবতা ত্রষ্ট অসিনা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা লাউথোক্লদুনা প্রসিদেন্টনা মখা তানা হায়, কেম্প অসিদা ফমুং ...মখা লমায় ৩ কলম ৩

হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা 'নিঙোল চাক্কৌবা' দা আই দি পি নিঙোলশিংগী ৱাফম

## ইচা অনীনা নিঙোল চাক্কৌবা চৎনীংবা উবদা থম্মোয় শোকই, মখোয়বু থেমজিল্লগা মায়থোঙদা নুংঙাইতবা উহন্দনা লেল্লি : ইঙুদম ওংবী খন্বী

**রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী**
**হকথেংনবা পাউদম**
**তোর্বুং মমাঙ লৈকায়দগী খুঞ্জা অমা**

**(ঙরাংগী মখা...)**
তোর্বুং মমাঙ লৈকায়দগী লাঞ্জেল্লক্তুনা রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরক্লিবী মশাগী চহী ৩৬ শুরবী ইঙুদম ওংবী খন্বী, মপুরোইবা আই কুবেরনা পাউচে অসিদা হায়, ঐহাক্কীদি ইপাম লমদমসু তেরা খোঙশাংবী ওইবনিনা নিঙোল চাক্কৌবা চৎপা ফংদ্রে। পূন্না লানগী মৈশা নংমিন্নদুনা লৈরে। নিঙোল চাক্কৌবা ফনা চৎনীংলগসু চৎনরিবা ময়াম অসিনা শেৎ চারিবা ফিরোলগা মান্ননা লৈতবা অমসুং অহনবা লৈদুনা কেরুবসু ঙম্লোইদবনিনা রিলিফ কেম্পতা খরা পীজবীরিবা অসিনা অদুমক


ইঙুদম ওংবী খন্বী

ৱাখলদা পেন্থোল্লগা লৈরে। ইশুং-ইমান্নবীশিংনা অরৈবা ফিরোল শেৎ-চারগা কেদুনা নিঙোল চাক্কৌবা চৎপা উবদা ঐহাকসু চৎনীংদবা নত্তে। ঐদি লায়রদনা ইচা অনীনা চাক্কৌবা চৎনীংবগী মতৌ উবদা থম্মোয় শোকই অদুবু মখোয়বু থেমজিল্লগা মায়থোঙদা নুংঙাইতবা উহন্দনা লেল্লি।

অমরোমদা, লান অসিগী ৱারোইশিন অথুবদা পুবীরক্তুনা মথং চহীদগীদি ইশাগী য়ূমদগী নিঙোল চাক্কৌবা চৎনীংই। অদুবু য়ূমদা হঞ্জিল্লগা শুফম নোম্ফম খঙদনা অঙাংশিংগী মহৈ-মশিং তম্বা ফংলোইদবা ওইরগদি রিলিফ কেম্প অসিদা লৈবগা মান্নরে। চাবা-থকপগীদি থোইনা খন্দ্রে। ইশাগী ইয়ূমদি হৌজিক ফাওবদদি মৈ থাদোক্ত্রি অদুবু থংননা লৈবা য়ূমশিংদি মৈ থাদোকখ্রবনি। মরম অসিনা ঙসি-হয়েংমক য়ূমদা চঙলগা হান্নগুম মপান থোক্তুনা শেল তাল্লুবসু ওইথোক্কদবা মান্দ্রি। (মথং-মথং)

## সোইবমচা ইন্দ্রকুমার য়াওনা ত্রান্সলেটর ২৩দা সাহিত্য একাদেমি ত্রান্সলেশন প্রাইজ ২০২৪ খূৎশিন্নখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (ঐচএনএস) :** কোলকটাগী নেশনল লাইব্রেরিগী ডা. শ্যামা প্রসাদ মুকরজি ভাশা ভবনদা ঙরাং নুংথিল পুং ৫ তারকপদা পাঙথোকখিবা চীং লেল্লবা থৌরমদা চহী খুদিংগী পীদুনা লাকপা সাহিত্য একাদেমি ত্রান্সলেশন প্রাইজ ২০২৪ খূৎশিন্নবদা মণিপুরগী ত্রান্সলেটর সোইবমচা ইন্দ্রকুমারদসু মনা অসি খূৎশিন্নখ্রে।

সাহিত্য একাদেমিগী সেক্রেটরি ডা. কে এস শ্রীনিভাসারাওনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা মহাক্না থৌরমগী মরমদা শুগাইনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মনা অসি খূৎশিন্নরগদবা ত্রান্সলেটরশিংগী পূন্সি অমসুং মখোয়না তৌখিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা শন্দোক্না পনখি। অদুগা সাহিত্য একাদেমিগী প্রসিদেন্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ২

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫